# পাকিস্টান্দা প্লেন কায়বদা ১২৭ শিরে

*ইস্লামাবাদ, এপ্রিল* ২০ ঃ পাকিস্টানগী ভোজা এয়ার বোইং ৭৩৭ - ২০০ ঙসি নুমিদাংৱাইরম নোং-চীংগী ফিভম ফত্তবনা লেন্দিং তৌবদা তৌবদা কায়বদগী ক্রু মেম্বর য়াওনা পুন্না মীওই ১২৭ শিরে। লাইবক থিবা থৌদোক অদুবু পাকিস্টান গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

মীওই ১২৭ তেংবা পেসেঞ্জর জেট প্লেন অদু ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৪০ রোম তবদা পাকিস্টানগী কেনুং ইস্লামাবাদ মনাক্কী এয়ারপোর্ট অমদা নোং-চীংগী ফিভম কা হেন্না ফত্তবা মরক্তা লেন্দিং তৌশিল্লকপদগী লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউঅমনা হায়রি।

পাকিস্টানগী দিফেন্স মিনিস্টর চৌধারি অহম্মদ মুখারনা ফোঙদোকখিবদা ভোজা এয়ার বোইং ৭৩৭-২০০ অদু বেনর্জি ভুটো ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টতগী কিলোমিটর খরখক্তমক লাপ্না লৈবা ফার্মলেন্দ অমদা তাশিন্দুনা কায়খিবনি। মিনিস্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সিভিল এভিয়েসন ওফিসিয়েলশিংগী মতুংইন্নদি লাইবক থিবা থৌদোক অমদা কনাগুম্বা অমত্তা হিংলমগনি হায়বগী আশা উদ্রে। প্লেন কায়রগা তাশিল্লিবা জগা অদু মী তাদবা রুরেল এরিয়া ওইনা তৌবনা অহানবগী ওইনা গ্রাউন্দদা অশি অনা থোকপগী থৌদোক অদু চপ চানা খঙবা ঙমখিদে। প্লেন অদু কায়দুনা তাশিনবা মতম  অদু অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিবা অমসুং নোং য়াম্না কন্না অখাক অরাওগা লোয়ননা তাবা মতমনি। মরাইবক থিরবা প্লেন অদু করাচি সিটিদগী পাকিস্টানগী কেপিটেল ইস্লামাবাদ তম্না পাইখিবনি।

ইমরজেন্সি ওফিসিয়েল সাইফু রহম্মন্না হায়খিবদা, প্লেন অদুগী অকায় অতোয়শিং মৈ চাকপা অদু খক্তমক উবা ফংই। চাক্লিবা মৈশিং অদু অমম্বা মরক্তা ফ্লাস্ট লাইটশিং শীজিন্নদুনা মুখৎনবা অমসুং রেস্ক্যু ৱার্কশিং তৌবগী থবক য়াম্না কন্না চত্থরি  হায়খি।

পাকিস্টানগী ওইনা ইকুই কুইহ্রিদ্রৈঙো খ্বায়দগী চাওনা প্লেন কায়দনা মীশি মীনা থোকখিবগী থৌদোক অসি চহি ২০১০ দা থোকখ্রে। মদুদা মীওই ১৫২ শিখিবগী থৌদোক লৈখি হায়রি।

গভর্নমেন্ট ইনভেষ্টিগেসন্নদি ঙসি ভোজা এয়ার বোইং ৭৩৭-২০০ কায়বগী থৌদোক অদু পাইলোটনা নোংগী চীংগী ফিভম ফত্তবা নোংলৈ নুংশিৎ মরক অদুদা এয়ারপোর্টতা লেন্দিং তৌনবা হোৎনবদা শোয়বদগী থোকখিবনি। প্লেন অদু চীংগী নাকলদা কায়দুনা তাশিনখিবগা লোয়ননা কিলোমিটর অমরোমগী এরিয়াদা কৈইচায় চায়দুনা তাশিনখি। প্লেন পোকখায়বা অদুদা শিরবা পেসেঞ্জরশিং অদুগী হকচাংগী কা হেন্না শোকপনা মখোয়শিং অদু মশক খঙবা ঙমদ্রে। মশক খঙদোক্নবা দিএনএ টেষ্ট মথৌ তারি হায়রি।